অরুনাচল প্রদেশতা এম এল এ য়াওনা ৯৫ পোজিটিভ ওইরে

COVID CARE CENTRE
CHC Miao Old Building
COVID CARE CENTRE
CHC Miao Old Building
C Sankey, Nursing Officer

ইটানগর, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সি):

অরুনাচল প্রদেশতা লেজিসলেটর অমা য়াওনা মীওই ৯৫ নৌনা পোজিটিভ ওইরকপগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা ঙসি কোভিদ-১৯গী অপুনবা কেস মশিং ২৬০৭ য়ৌখ্রে। খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মীশিং ৫ শুরে।

হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না নৌনা পোজিটিভ ওইরবা মীওই ৯৫গী মনুংদা পেরামিলিটরি পর্সনেল ৫০ য়াওরি। নমসাই দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাং মশাগী চহী ৫৫ শুরবা মীওই অমা কোভিদ-১৯না মরম ওইরদুনা টেজু জোনেল হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে হায়না ষ্টেট সর্ভিলেন্স ওফিসর ডা. এল জম্পানা ফোঙদোকখি।

লেকাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ জুমোম ঈ দিওরিসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে। লেজিসলেটর অসি হৌজিক ফাওবা লাইওং উৎথোরকপা তৌদ্রি।

অৱাং নোংপোক লমদমদা লায়না-লাইচৎ অসিগী ফিভম খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌরকপগা লোয়ননা এম এল এ অসিনা হায়খি। হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা নক্নরুবা অমদি থেংনখিবা মীওই পুম্নমক ময়ুম-ময়ুমদগী মপান থোক্তনা লৈনবা অপিল তৌরি।

চৈরকসিদা, ৱেষ্ট কমেং দিষ্ট্রিক্টতা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৪৪, ইষ্ট সিয়াং দিষ্ট্রিক্টতা কেস ৯, চংলাং দিষ্ট্রিক্টতা ৯, কেপিটেল কমপ্লেক্স রিজনদা ৮, লমসাইদা ৫, লাৱর সিয়াংদা ৩, তৱাংদা ৩, লাৱর দিবাং ভেলিদা ৩, ৱেষ্ট সিয়াংদা ২, অপর সুবানশিরিদা ২, লোহিটতা ২, অনলোদা ১, ইষ্ট কমেংদা ১, পাপম্পারেদা ১, তিরাপতা ১ অমসুং অপর সিয়াং দিষ্ট্রিক্ট কেস ১ থেংনখি। মীওই ৭ খক নত্তনা নৌনা পোজিটিভ ওইরবা অতৈ মীওই পুম্নমক হৌজিক ফাওবা লাইওং উৎথোরকপা তৌদ্রি। অদুবু কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা থমদুনা লায়েংবা হৌরে হায়রি।

পেরামিলিটরি পর্সনেল ৫০- ৱেষ্ট কমেংদা ৩৭, ইষ্ট সিয়াংদা ৯, চংলাংদা ৫, তৱাংদা ৩, ৱেষ্ট সিয়াংদা ২, অপর সুবানশিরিদা ২ অমসুং লোহিটতা ২ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। অনাবা মীওই ৩২ লায়েংবদগী ফিভম ফগৎলক্তুনা তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদগী দিসচার্জ তৌখি।

ওগষ্ট ১ দগী হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী ওইনা সিক্যুরিটি পর্সনেল ৫০৬ য়াওনা মীওই ১১২৫ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক এক্তিভ কেস ৮৫২ লৈরি। মীওই ৫ লায়না অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে। মীওই ১৭৫০ দি ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।

ইষ্ট পুলিস ষ্টেসন থোঙ হাংলগনি

দিমাপুর, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সি):

মতম খরা সীল তৌরুরবা নাগালেন্দগী ইষ্ট পুলিস ষ্টেসন থোঙ হাংলগনি হায়রি। পুলিস পর্সনেল অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগা নক্নরুবগী রিপোর্ট ফংখ্রবা মতুংদা দিমাপুরগী কম্মিসনর ওফ পুলিসনা ওগষ্ট ১৩ দা পুলিস ষ্টেসন অসি সীল তৌশিন্নবা খঙহনখিবনি।

রিপোর্ট অমনা হায়, ক্রিমিনেল কেস অমদা চেন্নবা মীওই অমা ফারুবা পুলিস ষ্টেসনগী পর্সনেল অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈখি। মরমদি ক্রিমিনেলনি চিংনবা মীওই অদু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বা কনফর্ম তৌখ্রবনি। ওগষ্ট ১৩ দা ৱাফম অসি খঙনরকপদগী তঙাইফদনা পুলিস ষ্টেসন অদু মতম খরা সীল তৌশিন্নবা খঙহনখিবনি। অমরোমদা, অনৌবা কেস ১৫৪ থেংনখিবগা লোয়ননা নাগালেন্দদা কোভিদ-১৯গী ফিভম লুশিল্লক্লে। ষ্টেট অসিগী এক্তিভ কেস ২১১০ লৈরি।

শিল্লোংদা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রে

শিল্লোং, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সি):

অফ্রিকন স্বাইন ফিভর (এ এস এফ)কী কেস থেংনবদগী শিল্লোং অমসুং ইষ্ট খাসি হীলস দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরদা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রে।

দেপ্যুটি কম্মিসনর এম দল্লিয়ু নোংব্রিনা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবশিংগী মনুংদা নোংমিনসোং-উমদেট, মোলাই মোদাতবাকি, মোসবিট নোংগ্রিম অমসুং এস ক্রাং য়াওরি। কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা মফমশিংদগী ওক পুথোক পুশিন তৌবা অমদি য়োনবা খুদক্তা অথিংবা থল্লে। মীপুম খুদিংমক লু নানবগী হৈনবী থম্বগা লোয়ননা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়নসু দেপ্যুটি কম্মিসনরনা খঙহনখি।

কন্টেনমেন্টদগী জোন থোরকপশিং নীংথিনা চামথোকপগা লোয়ননা হীদাক কাপথোক্লবা মতুংদা অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদা চৎনবগী অয়াবা পীগদৌরি। ওক লোইরিবা অমদি য়োল্লিবা মীওইশিংগী সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম পাঙথোক্লবসু খঙহনখি।

অসাম লৈঙাক্লা স্কুলগী ফী চাদা ২৫ হন্থনা লৌনবা খঙহনখ্রে

গুৱাহাতি, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সি):

অসাম গভর্নমেন্টনা প্রাইভেট স্কুল পুম্নমক থাগী ফী চাদা ২৫ হন্থনা লৌগদবনি হায়না খঙহনখ্রে। ষ্টেট অসিগী এদ্যুকেসন অমদি হেল্থ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বা সরমনা হায়খি, প্রি স্কুল থাক্তগীনা ক্লাস ত্বেলভ ফাওবগী থাক্তা তম্লিবা মহৈরোয়শিংদগী চাদা ২৫ গী চাংদা হন্থনা ফী লৌগদবনি।

ফাইনান্সকী পোর্টফোলিওসু পায়রিবা হিমন্ত বিস্বা সরমনা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা স্কুল পুম্নমক থোঙ লোন্নখিবা মরম্না প্রাইভেট স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিংগী ফী চাদা ২৫ হন্থনা লৌগদবনি হায়না খঙহনখ্রে। মে ১ দগী হৌরগা স্কুল থোঙ হেক হাংদ্রিফাওবা হায়রিবা চাং অসিদা থাগী ফী লৌগদবনি।

এলিমেন্টরি অমদি সেকেন্দরি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী থৌপুরিবা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি বি কল্যান চক্রবর্তিনা থোকখিবা ওর্দর অমনা প্রি স্কুলগী থাক্তগী হৌরগা ক্লাস ত্বেল্ভ ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংদগী চাদা ২৫ গী চাংদা হন্থনা ফী লৌগদবনি হায়না খঙহনখি।

ওর্দর অদুনা হায়খি, কোভিদ-১৯ গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা অসামগী গভর্নমেন্ট স্কুল অমদি কোলেজ পুম্নমক মার্চ ১৬গী থোঙ লোনশিন্নবা খঙহনখি। মহৈ তম্বগা মরী লৈনবা থবক থৌরম পুম্নমক মার্চ ২৩ দগী লেপ্তুনা লাকখি। ষ্টেট অসিগী মীপুম খুদিংমক শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্নরিবা মরম্না মচা-মশুশিংগী ফী থিনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরে। মরম অদুনা মে ১ দগী হৌরগা স্কুল থোঙ হাংবা হেক হৌদ্রিফাওবা চাদা ২৫ গী চাংদা হন্থনা স্কুলগী ফী লৌগদবনি। স্কুল পুম্নমক থোঙ লোনখিবা মরম্না প্রাইভেট এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিংনা ইলিক্ত্রিকেল, ট্রান্সপোর্টিসন অমদি অতৈ হীরম কয়াদা চাদিং হন্থরে। হীরম খুদিংমক্তা চাদিং হন্থরকপা মরম্না মহৈরোয়শিংদগী ফী লৌবদসু চাং খরা হন্থহনবা মথৌ তাই হায়না প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিনা খঙহনখি।

ষ্টেটকী পাউ

তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট য়াওনা মফম কয়াদা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৫ (ঐচ এন এস) :

ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিং য়াওনা মফম কয়াদসু ইন্দিয়াগী ৭৪শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। ককচিং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা ককচিংগী দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা ইন্দিয়াগী ৭৪শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ককচিংগী দি সী ভেলেন্টিনা অরাম্বমনা অথোইবা মীথুং ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ককচিং পুলিসকী এস দি পি ও পুখাম শঙ্করনা পেরেদ কম্মান্দর ওইদুনা গার্দ ওফ ওনর পীখি। লোয়ননা দি সী ভেলেন্টিনা অরাম্বমনা ইন্দিয়াগী ফিরাল চিংখৎতুনা পাইহনখি।

থৌরম অদুদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা সিভিল অমদি পুলিসকী পর্সনেলশিং, ওফিসরশিং খনগৎতুনা এপ্রিসিএসন সার্টিফিকেট পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। কোভিদ-১৯ থেংনবদা অহিংনুংথিল নাইদনা মথৌ পাঙথোক্লিবা ভলন্টিয়রশিং অমদি লৈঙাক্কী থৌমীশিংদসু এপ্রিসিএসন সার্টিফিকেট পীদুনা ঈকায় খুম্নখি।

থৌরম অদুদা ককচিং পুলিসকী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোম, ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপর্সন এন সঞ্জিৎকুমার, ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপর্সন খুমুকচম লৈমা, সিভিল অমদি পুলিসকী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্নসু থৌবালগী মিনি সেক্রেটরিয়টতা ৭৪শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা থৌবাল দি সী, এ বন্দনানা ইন্দিয়াগী ফিরাল চিংখৎতুনা পাইহনখি। থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিং অমদি পুলিস পর্সনেলশিংসু শরুক য়াখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরনসু শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মিনি সেক্রেটরিয়ট কেম্পসতা ৭৪শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

দি সী নীতা অরাম্বমনা ইন্দিয়াগী ফিরাল চিংখৎতুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ওইনাম এ সীগী এম এল এ, এল রাধাকিশোর অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসর কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিসর এন জোতিস অমসুং সী এম ও, এল গোজেন্দ্রদা এপ্রিসিএসন সার্টিফিকেটশিং পীখি। লোয়ননা চাইল্ড লাইন বিষ্ণুপুরগী দিরেক্টর এল পিশকতা আউট ষ্টেন্দিং এৱার্দ খুৎশিন্নখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন সেনাপতিনসু শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মিনি সেক্রেটরিয়ট কমপ্লেক্সতা ৭৪শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মথৌ মশক খঙনা পাঙথোকপা ইমপ্লোয়ীশিং অমসুং পুলিস পর্সনেলশিংদসু কম্মেন্দেসন সার্টিফিকেট খুৎশিন্নখি।

চূড়াচান্দপুরগী সাইকোট প্লে গ্রাউন্দদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা ৭৪শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম সোসল দিষ্টেন্সিং অমদি ফেস মাস্ক উপ্তুনা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা দি সী পৱন যাদবনা ইন্দিয়াগী ফিরাল চিংখৎখিবগা লোয়ননা অহানবা আই আর বিগী এ সী, এল সৈমাং খোংসাইনা লুচিংবা পেরেদ কন্টিঞ্জেন্টশিংগী সেল্যুটসু থোকখি।

থৌরম অদুদা চূড়াচান্দপুরগী এস পি অন্রিতা সিনহা, অহানবা আই আর বিগী সী ও লুখোমাং খোংসাই অমদি সী এস ওগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা হাইপৌ জাদোনাং পার্কতসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা ইন্দিয়াগী ৭৪ শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি।

উখ্রুলগী মিনি সেক্রেটরিয়ট কম্পাউন্দদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি।

জিরিবামগী দি সী বঙ্গলোদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা ৭৪শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি। জিরিবামগী দি সী, দল্লিয়ু মালেমঙানবা চেংলৈনা এস দি পি ও থাংজম সনাতোম্বনা পেরেদ কম্মান্দরন ওইবা কন্টিঞ্জেন্টশিংসু য়েংশিনখি।

চান্দেলগী মিনি সেক্রেটরিয়ট গ্রাউন্দদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা ৭৪শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা নাশা মুক্ত ভারত কেম্পেন ২০২০-২১ সু দি সী কৃষ্ণকুমারনা হৌদোকখি। থৌরম অদুদা চান্দেলগী এস পি, এন মধুনিমাই, সিভিল অমদি পুলিসকী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা ৭৪শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি।

অমরোমদা, সাইনিক স্কুল ইম্ফালনসু ঙসি ইন্দিয়াগী ৭৪শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী ষ্টাফশিং, ইমপ্লোয়ীশিংনা শরুক য়াখি।

হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদসু তোঙান তোঙানবা য়ুনিটশিং অমদি সেক্তরশিংদা ইন্দিয়াগী ৭৪শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি।

৯ সেক্তর অসাম রাইফলসনা মখোয়গী তোঙান তোঙানবা বট্টালিয়নশিংগা পুন্না ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি। মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়ন, কৈথেলমানবী বট্টালিয়ন, থৌবাল বট্টালিয়ন, চান্দেল বট্টালিয়ন অমদি মোরে বট্টালিয়ন্নসু ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরমশিং পাঙথোকখি হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৫ (ঐচ এন এস) :

বৃটিশকী মখুৎতগী কুমজা ১৮৯১ গী ওগষ্ট ১৪দা মণিপুরনা নীংখা তম্বা ফংখিববু নীংশিংদুনা য়ুনাইটেদ পিপলস এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সীল (য়ু পি এ সী ও)না ঙরাং ৭৪শুবা মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা য়ু পি এ সী ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ১৮৯১গী এংলো মণিপুর ৱার মতুংদা চহী ৫৬ বৃটিশকী লোয়লম মখাদা লৈরম্লবা মতুং কুমজা ১৯৪৭গী ওগষ্ট ১৪গী অহিং নোংয়াইদা নীংখা তম্বা ফংদুনা মণিপুরগী অহানবা চীফ মিনিষ্টর এম কে প্রিয়োব্রতনা কাউন্সীল ওফ মিনিষ্টরসকী হোল মমাঙদা ইবুধৌ পাখংবা পাফল য়েকপা ফিরাল চিংখৎতুনা বৃটিশকী মখুৎতগী নীংতম্বা ফংখিবা নুমীৎ অদুবু নীংশিংদুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মণিপুরীশিংগী ঈদা শাগোন্নরক্লবা মীখা পোনবা হৈতবা, মরৈবাক নুংশিবগী চহী লিশিং ২গী পুৱারী লৈজরক্লবা লীক্লম অসিবু শমজিঞ্জবা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, পময়াল ক্লব, পাৎশোই পার্ট টু মখা লৈকায়গী শঙলেন্দা পি পি সী এমগী মীৎয়েং মখাদা পময়াল ক্লব অমদি ৱিমেন দিভলপমেন্ট এসোসিএসন, পাৎশোই পার্ট টু মখা লৈকায়না শীন্দুনা ঙরাং ৭৪শুবা মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পময়ালগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু হেমন্ত মৈতৈ, পি পি সী এমগী পব্লিসিটি সব-কম্মিটিগী কনভিনর তোংব্রম ওংবী ইবেমচা, পময়ালগী এক্স-সেক্রেটরি এ চন্দ্র, ৱিমেন দিভলপমেন্ট এসোসিএসন, পাৎশোই পার্ট টু মখা লৈকায়গী প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম মেমচানা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ইবুদৌ পাখংবগী ফিরালসু চিংখৎখি হায়রি।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC
দাইবেটিষ্টকী মমিং লৈরবা SUGAR NIL CAPSULES
DUTTA AYURVEDIC তগী ফংবীগনি

নুপাগী প্রোব্লেম :
ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফর্টিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :
ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোম্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

ডাইবেটিস :
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ত্রিক্কী :
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুকনুংশিৎকাবা, চাবাথকপা তুমদবা, চানিংথক্লিংবা পোক্তবা, পুকনাবা, খোংহাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

অঙৌবা পকপা :
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

শমগী পোব্লেম :
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্ননি।

তাং-তাং চিকপা :
তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্নো চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :
না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6100/14/07-13/08

শিৎ-শেংদোকখ্রে

য়াইরিপোক, ওগষ্ট ১৫ (ঐচএনএস) :

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবা চয়োল অমা চুপ্পা চথগদবা গনধগি মুক্ত ভারত কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা সী এম ও থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টরগী ষ্টাফশিংনা ঙরাং লায়েংশঙ অসিগী শঙলেন অমসুং কেম্পসকী অকোয়বদা লৈবা অমোৎ অকায়শিং শিৎ-শেংদোকখ্রে হায়রি।

‘হিয়াংলম এ সীদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্লা মরুওইনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংলম এ সীদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা এ সী অসিদা থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাদবা অসি খরদা ওইরবসু কোকহন্নবা থবকশিং লৌখৎপীয়ু হায়না সেকমাইজিন গ্রাম পঞ্চায়ট লেভেল মল্টিপর্পজ কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদকী প্রসিদেন্ট কোন্থৌজম মনিহারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এ সী অসিগী সেকমাইজিনদগী অরোং নোংমাইখোং তোকপা চীং ফাওবগী লম্বীথোংদগী হেন্দোক্তুনা অনা-লায়েং, এদ্যুকেসন্নচিংবা হীরমদা শোত্থনা লৈরি। এরিয়া অসি ঙসি ফাওবদা নেগ্লেক্তেদ জোন অমা ওইনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু। কোভিদ-১৯গী খম থেংনা ৱানরবা মতমসিদা এ সী অসিদা মার্চ থাদগী নফসাগী চেঙ ঙসি ফাওবদা পীথোক্তনা থম্লিবসি কনাগী অশোয়বনো। মসি মীয়ামগী অশোয়বনি হায়বীগদৌরিব্রা। মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা মীয়াম্বু অতোনবীগী মচাগুম থম্বীবসি লৈঙাক্লা য়েংশিনবীরগা শোত্থরবা মীয়ামগী হিংবগী হকশিং মপুং ফানা ফংহনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হায় কোর্টতা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৫ (ঐচ এন এস) :

লৈবাক অসিগী মফম পুম্নমক্তা ঙসি ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরমশিং পাঙথোক্লখিবগুম মণিপুরদসু থৌরম অসি পাঙথোকখিবগী মনুং চন্না ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদসু পাঙথোকখ্রে।

অয়ুকপুং ৮.৩০ দগী হৌখিবা চিংলেন্নবা থৌরম অসিদা হায় কোর্টঅসিগী চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকরনা পুং ৮.৪৫ চপ চানা তারকপদগী ১৪২ বট্টালিয়ন বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) পর্সনেলশিংনা গার্দ ওফ ওনর য়েংলগা নেসনল ফ্লেগ চিংখৎতুনা পাইহনখি। অদুগা জেনরেল সেল্যুট পীবগা লোয়ননা মণিপুর পুলিসকী বেন্দ কন্টিঞ্জেন্ট অমনা নেসনল এন্থেম শকখি।

থৌরম অসিগা ঈরোয়ননা চীফ জষ্টিসনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা)গী কুমজা ২০১৯গী এন্যুয়ল রিপোর্ট হৌনবী মতুংইন্না রিলিজ তৌখি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা হায় কোর্ট অসিগী জষ্টিস লানুশুংকুম জামির, জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিন, জষ্টিস অহন্থেম বিমোল, হায় কোর্ট বার এসোসিএসন মণিপুর (ঐচ সী বি এ এম)গী প্রসিদেন্ট নামোইজম ইবোতোম্বী, সিনিয়র এদভোকেট, সেক্রেটরি সমরজিৎ, এদভোকেট য়াওনা সিনিয়র এদভোকেটশিংদা ঐচ এস পাওনম, নামৈরাকপম জেটেন্দ্রো অমসুং আই ললিটনচিংবনা শরুক য়াখি। লোয়ননা হায় কোর্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংদনা রেজিষ্ট্রার জেনরেল এ গুনেশ্বর অমসুং রেজিষ্ট্রার (জুদিসল) দল্লিয়ু তোনেন মৈতৈনা লুচিংবা ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

ফাউন্দেসন দে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৫ (ঐচ এন এস) :

খুরাই সোসল য়ুথ ক্লব (কেএসৱাইসী)গী ৪০শুবা ফাউন্দেসন থৌরম ঙরাং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ক্লব অসিনা কোনবা এরিয়াশিংদা লৈবা য়ুমথোঙ খুদিংদা চান-থক্নবা পোৎলমশিং, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি সাপোননচিংবা পোৎলমশিং য়াওবা পেকেট অমমম খুদোল তমখ্রে। লোয়ননা খুরাই লম্লোং বজারদা মথৌ পাঙথোক্লিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস পর্সনেলশিংদসু অচা-অথক অমদি হেন্দ সেনিটাইজরশিং খুদোল তমখ্রে হায়রি।

CROSSWORD-3532



ACROSS
- 1 Discoloured (7)
- 5 Betrayer (5)
- 8 Relative by marriage (2-3)
- 9 Language of East Africa (7)
- 10 Deers' horns (7)
- 11 Adhere (5)
- 12 Occur (6)
- 14 Pursued (6)
- 18 Chase or bother relentlessly (5)
- 20 Separate (5,2)
- 22 Area of high level ground (7)
- 23 Annoyed (5)
- 24 Tendency (5)
- 25 No longer existing (7)

DOWN
- 1 Leaf vegetable (7)
- 2 Apportion (5)
- 3 Not in any place (7)
- 4 Cease (6)
- 5 Denim trousers (5)
- 6 Gods and goddesses (7)
- 7 Unpleasant smell (5)
- 13 Feathers (7)
- 15 Drunk (4-3)
- 16 Topside (anag) (7)
- 17 Accept as true without proof (6)
- 18 Go away (3,2)
- 19 Fearful expectation (5)
- 21 Prickly plant (5)

Solution 3531

C	H	A	N	C	E	■	A	N	K	A	R	A
H	■	N	■	A	■	■	■	O	■	L	■	N
I	N	T	E	R	■	C	U	T	D	O	W	N
L	■	I	■	A	■	A	■	H	■	U	■	E
L	O	B	S	T	E	R	■	I	N	D	E	X
Y	■	E	■	■	■	E	■	N	■	■	■	E
■	■	S	T	R	A	T	E	G	I	C	■	■
S	■	■	■	E	■	A	■	■	■	A	■	C
C	O	M	I	C	■	K	I	L	L	J	O	Y
O	■	E	■	I	■	E	■	L	■	O	■	G
T	R	A	I	T	O	R	■	A	L	L	I	N
C	■	N	■	A	■	■	■	M	■	E	■	E
H	A	S	S	L	E	■	B	A	N	D	I	T

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3331

			6		7			
		3			4	8	7	
7	9		1	8		4		
3	8		9					
	7						9	
					2		1	8
		7		5	8		4	6
	2	1	3			7		
			7		1			

Solution-3330

3	6	1	2	4	7	5	8	9
5	9	2	1	8	6	3	7	4
7	8	4	3	5	9	1	2	6
8	7	9	4	1	3	2	6	5
4	2	3	8	6	5	7	9	1
6	1	5	9	7	2	4	3	8
9	4	8	7	2	1	6	5	3
1	5	7	6	3	8	9	4	2
2	3	6	5	9	4	8	1	7

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

কৈনু

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম


চাকচা তোক্লগা মহৈ-মহৈ তুম্নখিরম্মী।
কৈনুগী মমা-মপাদি তুম্না য়ারমদে।
মখোয় তুম্না য়াদদুনা মপান্দা থোকখিরম্মী।